হুইয়েন লানপাউ

ইম্ফাল ইষ্টকী কোনুং মমাঙদা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা ৱার্কিং কম্মিটি ওফ দ অপুনবা লুপ (অপুনবা লুপ)কী ১৩শুবা মপোক কুমওন থৌরমগী শক্তম

লামায় ৩

ইন্দিরা গান্ধী নেসনল ট্রাইবেল য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী মীহুৎশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভাইস চান্সেলরগী মীতম মৈ থাবগী শক্তম

লামায় ৩

ইম্ফাল ৱেষ্ট নার্কোটিক্স সেলগী ও সী ইন্সপেক্টর কে রঞ্জিৎনা লূচিংবা টিম অমনা মীওই অমগা লোয়ননা ন্যু কৈথেলমানবীদগী ফাখিবা কানি কে জি ৩ পাউমীশিংদা উৎপা

লামায় ১

মোইরাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী মনুংদা থোক্লিবা ঈশিং ঈচাউগী ফীভম চীফ মিনিষ্টরগী ইকনমিক এদভাইজরসু ওইরিবা এম এল এ, পি শরতচন্দ্রনা য়েংশিনবা

লামায় ৩

Vol. 41, Issue No.110 | ইরাই, ইঙেনগী ২০ নি পানবা | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, July 14, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬২.৩২

দীজল : লিটরদা লুপা ৫৩.০৪

জে ঈনা নারে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ : নুঙ্গৈদা লৈবা নীংথিখোংদা শাবা দামগী মমায় অনীমক ইম্ফাল তুরেলগী ঈশিংনা ফক্কায়দুনা পুখিবদগী জুন ৪দগী হৌজিক ফাওবা ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্লরিবা নুঙ্গৈ খুলদা জপানিজ এনকেফেলাই-টিসনা নাবা মীওই লৈরে। মশাগী চহী ৪০ রোম শুরবী নুপী অমা লায়না অসিনা নাদুনা শীজ হোস্পিটালদগী গুৱাহাটিদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা লায়েংলি। মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না সোসাইটি ওফ সোসল রিফোর্মেসন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

য়ুহা হাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ : রিক্টর স্কেলদা মেগ্নিচ্যুদ ৪.৮ য়ৌনা মণিপুরগী মফম অয়ান্বদা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা য়ুহা হাখ্রে। য়ুহা হাখিবগী ইপিসেন্টর মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী কিলোমিটর ১২৭ লোম চৎলগা লৈবা ম্যান্মারগী চিন্দুইন রিভরগী মপান্দনি হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সেস্মোলোজিকেল ওবজার্ভেটরিগী প্রিন্সিপাল ইনভেষ্টিগেটর প্রো. অরুনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থৌপুবা খনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ : ওল মণিপুর ৱিমন ভোল্যুন্টরি এসোসিএসন জীরিবাম ব্রাঞ্চকী চহীগী মীফম পাঙথোক্তুনা থাংজম সুচিত্রাবু ব্রাঞ্চ অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রে। থৌপুবা খনবগী থৌরম অদুদা পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপুনবা লুপকী প্রসিদেন্ট এস মেমচা, ওল মণিপুর ভোল্যুন্টরি এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই কুঞ্জরানি, জিস্পালগী প্রসিদেন্ট এস সুশিলানচিংবনা শরুক য়াখি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	73.556042
US Dollar	64.466599
British Pound	83.421564
Australian Dollar	49.772655
Chinese Yuan Renminbi	9.504703
Japanese Yen	0.568548
Malaysian Ringgit	15.017536
Norwegian Krone	7.804473
Singapore Dollar	46.791509
South Korean Won	0.05663
Swedish Krona	7.70806
Turkish Lira	18.062743
Myanmar Kyat	0.04703
Bangladesh Taka	0.79280

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	28203.21
Mumbai	–	Rs	29315.51
Delhi	–	Rs	28663.10
Kolkata	–	Rs	29294.12

HL POLL

Q : Meetei mayekpu Manipuri Mayek haina leingakna onthoknaba thourang touribasi yaningbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ **No** ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Mobile phoneda wa ngangnabadi tadraga seldi adum tinghanbagi thouong asi cheirak pifam thoktabra?

Yes 94% No 06%

অস! লোইরেহে!

কেবীনেটকী মীফম চীংদা ফমদৌরিসিবু ফরিদ্রা খঙদ্রে...!



টি এ, দি এ শোয়দ্রগা লোইরে...!

লুখ্রাবীশিংগী হেল্থ ক্যের ইন্সুরেন্স স্কিম হৌদোক্লগনি : চীফ মিনিষ্টর

‘দ্রগ লান্না শিজিন্নবশিং অচুম্বা লম্বীদা পুরক্লবা হোৎনগদবনি’

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিবু অফবা মায়কৈদা অওনবা পুরক্লবগী পান্দমদা অনৌবা লৈঙাক শেমখিবনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

হৈঙাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদা ইনফোর্মেসন এন্দ কলচরেল সোসাইটি মণিপুর (আই সী এস এম) না শিন্দুনা লিবরেল কোলেজ, লুৱাংশংবমদা পাঙথোকখিবা নহারোলশিংগী ফ্রী কম্প্যুটর ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, অনৌবা লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিদা মপুং ফানা শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং লৌখৎকনি। মসিদা চীং অমসুং তমগী মরক্তা খেন্নবা লৈহল্লোই।

অনৌবা লৈঙাক্কী পান্দমদি লায়রবা অমসুং তোল্ল-তারবশিংগী মতেং পাংবনি। হীরম অসিদা মীয়াম্না শৌগৎপীবা মথৌ তাই।

আই সী এস এমনা হৈঙাংগী নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিংদা লেম্না কম্প্যুটর এদ্যুকেসন তম্বীনবা থৌরাং লৌখৎলকপদা থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, অসিগুম্বা মখলগী দিজিটেল লিটরেসি প্রোগ্রাম অসি চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিং য়াওনা ষ্টেটসিগী অতোপ্পা মফমদসু পায়খৎপা মথৌ তাই।

মহাক্লা হায়খি, থা ৩ শুরকপদা ঙাইরিবা লৈঙাক অসিনা দ্রগ অমদি অতৈ ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিংগী মায়োক্তা পাক শন্না দ্রাইব চথরি। ষ্টেট অসিদা খুন্দারিবা মীপুম খূদিংমক্কী পূক্নিং ৱাখল অমদি হকচাং ফনা লৈহন্নবা লৈঙাক্লা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি।

ষ্টেট অসিদা দ্রগ এদিক্ট ওইবকী মশীং চাং কা হেন্না ৱাংলি হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়খি, দ্রগ লান্না শিজিন্নরুবদগী অৱাবা তারবা মীপুম খূদিংমক খুন্নাইগী ঈচেলদা তিলহন্নবা হোৎনগদবনি। মমা-মপা, খুন্নাই অমদি লৈঙাক্না খুৎশম্নরগা হোৎনরবতদা দ্রগ লান্না শিজিন্নবগী থৌওং মরূ ফংনা মাঙহনবা ঙমগনি। দ্রগ শিজিন্নবশিং ফাদুনা কৈশুমশঙদা থম্লগা প্রোব্লেম অসি কোকহনবা ঙম্লোই।

লৈঙাক্লা মীপুম খূদিংমক্কী হেল্ঠ ক্যের ইন্সুরেন্স পোলিসী হৌদোক্লবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ময়াই কাবা চীঞ্জাক শিজিন্নবা অমদি য়ু থকপদগী মপুরোইবা লৈখিদ্রবা লুখ্রাবীশিংগী হেল্ঠ ক্যের ইন্সুরেন্স স্কিম অমা মাইনোরিটি এন্দ অন্দর বেকৱার্দ ক্লাসেস (এম ও বি সী) দিপার্টমেন্টকী মখাদা মথং চহীদগী হৌদোক্লগনি।

অনৌবা হেল্ঠ ইন্সুরেন্স স্কিমগী মখাদা লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা ইমুং খূদিংমক্তা লুপা লাখ ২গী ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

সেন্টরগী টিম্না ঈচাউগী ফীভম য়েংশিনবা হৌখ্রে

মফম অহুমদা তুরেলগী তোৰ্বান কায়রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুরদা হৌজিক হৌজিক থোক্লিবা ঈশিং ঈচাউগী ফীভম অমসুং ঈচাউ অসিনা অমাঙ-অতা থোকখ্রবা মফমশিং সেন্টরগী মীওই মঙানা শাবা টিম অমনা ঙসিদগী য়েংশিনবা হৌখ্রে।

সেন্টরগী টিম অদু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিগী জোইন্ট সেক্রেটরি প্রকাশনা লূচিংলকখি। অতৈ মেম্বর মরি অদুদি এগ্রীকলচর মিনিষ্ট্রিগী দিরেক্টর কে মনোহরন, রুরেল দিভলপমেন্টকী অন্দর সেক্রেটরি রানা কৃষ্ণন, ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর বি কে মিস্রা অমসুং ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ মিনিষ্ট্রিগী মীহুৎ সচিন কুমার গৌতমনি হায়রি।

টিম অসিনা ঙসি ঈচাউনা শোকহল্লবা খুরাই, হৈক্রুম মখোং, খুমিদোক, খোংমন, বাসিখোং, কোংবা ইরোংনচিংবা মফমশিং কোয়না চত্তুনা য়েংখ্রে।

খোঙচৎ অদুদা ষ্টেটকী রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী কম্মিস্নার এম ঐচ খান অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার চিত্রসু লোয়নখি। টিম অসিনা হয়েং হেলিকোপ্টর তোংদুনা ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিং এরিএল সর্ভে তৌবগা নত্তনা ঈচাউনা শোকহনখ্রবা ইম্ফাল-জীরিবাম লম্বীগী ফীভমসু য়েংগনি হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুরগী তম্পাক লম ফাওদুনা চেল্লিবা ইম্ফাল তুরেল অমদি থৌবাল তুরেল নৌনা অমুক মফম অহুমদা তুরেলগী তোৰ্বান খঙহৌদনা কায়রকপদগী মীয়াম্না ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা অমুক হন্না মায়োক্লরে।

ঙরাং নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা ময়াং ইম্ফাল...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

কানি কে জি অহুম ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ৱেষ্টকী নার্কোটিক্স সেলগী ও সী, কে রঞ্জিৎনা লূচিংবা টিম অমনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ লোম তাবদা ন্যু কৈথেলমানবীদগী নুপা অমা কানি কে জি ৩গা কোন্ননা ফারে। ফারবা নুপা অদু কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী নম্বোল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা হৈজাং খুলদগী লালবোই কিপজেন এলিয়স মিলন (২২) অপোকপা লমজা কিপজেন কৌই। কানি কে জি ৩ অদু মহাক্লা মীওই অমদা য়োন্নবা থৌরাং তৌরিঙৈদা পুলিসনা ফাবনি হায়রি। পোৎলম অদু লোকল মার্কেটতা লুপা লাখ ২.৭ রোম ওইগনি। মালেমগী কৈথেলদনা লুপা লাখ ১০ রোম ওইগনি হায়রি।

ওইল টেঙ্কর অমা হুরানখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস) : অৱাং সেকমাই ন্যু কৈথেলদা লৈবা টি ঐচ রনবির (২৫) অপোকপা টি ঐচ বিরমঙ্গল কৌবা ওইল টেঙ্কর দ্রাইভর অমগী য়ুমদা খামদুনা থম্বা গাড়ী শকখঙদবশিংনা হুরানখ্রে হায়রি। থা অসিগী ১১গী নুংমিদাং পুং ১১.৩০ রোম তাবদা ওইল টেঙ্কর এম এন ০১-৮৪৮৯ অসি শকখঙদবশিংনা হুরান্দুনা পুখিবনি। শুমাংদা খামদুনা থম্বা গাড়ী অদু হুরান্দুনা পুখিবা অদু লৈকায়গী মীওইশিংনা খঙনরকপদগী গাড়ীগী দ্রাইভর য়াওনা থিরুবদা ফংবা ঙমখিদে। গাড়ী অদুগী মপুনা মন্ত্রিপুখ্রিদগী রাজেন প্রসাদ কৌবা মীওই অমগীনি হায়রি।

আই ঈ দি অহুম লৈরম্লে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস) : জীরিবাম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা ছোটোবেক্রা মনাক্কী য়োৎকী থোং অমদা শকখঙদবশিংনা প্লান্ট তৌদুনা থম্লম্বা আই ঈ দি অহুম ৩৭-এ আরগী কাঙবু অমনা অশোয়-অঙাম য়াওদনা ঙসি অয়ুক লৌথোকখ্রে। য়োৎকী থোং অমগী মখাদা মতিক ময়াই লৈরবা বোমশিং অদু লৈরে হায়বা খোঙনা পেট্রোলিং চৎপা পার্সনেলশিংনা খঙলকখিবনি। এ আরগী বোম এস্কোর্ট টিম অমা লাক্লগা অয়ুক্কী পুং ১১.৫০ রোম তাবদা আই ঈ দি অহুম অদু অশোয়-অঙাম য়াওদনা লৌথোকখিবনি হায়রি।

ইলেক্ট্রোনিক ৱেষ্টনা ইনভাইরোনমেন্টতা শোকহল্লক্লিবা কয়া খঙমিন্নবা চঙই : জুগেশ্বর

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস) : ইলেক্ট্রোনিক ৱেষ্টনা ইনভাইরোনমেন্টতা শোকহল্লিবা কয়া অসি নীংথিনা খঙমিন্নবা চঙইহায়না নেলিটকী প্রোজেক্ট এঞ্জিনিয়র জুগেশ্বরনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবকী হোলদা পাঙথোকখিবা ইলেক্ট্রোনিক ৱেষ্টকী এৱেয়রনেস প্রোগ্রামদা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্সটিট্যুট ওফ সোসল রিছোর্স এন্দ দিভলপমেন্ট (আই এস আর দি) অমদি দেম্মোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) না খুৎশম্নুনা শীন্দুনা ইনভাইরোনমেন্টেল হেজার্দ ওফ ইলেক্ট্রোনিক ৱেষ্ট হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম অদুদা রিছোর্স

Date : 13th July, 2017 (Thursday)
Venue : Manipur Press Club
...al Research and Development, Moirangkhom Sagoljam Leirak, Imphal

পর্সন ওইনা শরুক য়ারদুনা জুগেশ্বরনা হায়খি, ইলেক্ট্রোনিক ৱেষ্টকী মতাং অসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না মরুওইবা ইস্যু অমা ওইরক্লি। চাউখৎলকপগী মতুংইন্না ইলেক্ট্রোনিক আইটেম কয়া য়ুমথোং খুদিংদা শীজিন্নরি। ইলেক্ট্রোনিক্কী আইটেমশিং অসিনা য়ারক্তবা মতমদা মফম চাদনা হেক্তা লংথোকপগী মওং কয়াসু লমদম অসিদা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

সী সী টি ভী কেমেরাগী ইনক্কারি রিপোর্ট লানখৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস) : রাজ ভবন, চীফ মিনিষ্টর বঙ্গলো অমসুং ইম্ফাল কৈথেলগী মরুওইবা মফমশিংদা সী সী টি ভী কেমেরা খিনখ্রবা মতুংদা শীজিন্নবা য়াখিদবগী ৱাথোক থিজিন্নবা শেমখিবা ইনক্কারি কম্মিটিগী রিপোর্ট ঙসি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনদা পীশিনখ্রে।

লামায় ২৭৬ পানবা রিপোর্ট অদু কম্মিটি অসিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবা মণিপুর পুলিসকী এদিসনেল দি জি পি (এল ও এন্দ ইন্টেলিজেন্স) প্রমোদ অস্তানা, কম্মিটি অসিগী মেম্বর ওইখিবা আই জি পি (জোন-১) ক্লে খোংসাই অমসুং আই জি পি (এদমিনিষ্ট্রেসন) ডা. সোইবম ইবোচানা হকথেংননা চীফ মিনিষ্টরদা শীন্নখি। কম্মিটিগী মেম্বর ওইখিবা

রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজগী সেক্রেটরি সুমন সিংহদি রিপোর্ট লানখৎপদুদা শরুক য়াখিদে।

ইনক্কারি রিপোর্ট অদুগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা এদিটরস গিল্ড মণিপুরগী মেম্বরশিংদা হায়খি, রিপোর্ট অসি কেবীনেট মীফমদা পুথোক্লগা খন্ন-নৈনরগা মীয়ামদা খঙহনগনি।

ইনক্কারি কম্মিটিগী চ্যেরমেন প্রমোদ অস্তানা হায়খি, ৱাথোক অসি চহী অসিগী মার্চ ৩১দা ইনক্কারি তৌনবা লৈঙাক্লা শীন্নরকখিবনি। নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা লোইশিন্নবা লৈঙাক্লা খঙহল্লকখিবা লৈরগসু কম্মিটি অসিগী মেম্বরশিং তোঙান তোঙানবা থবক ময়াম অমা তৌদবা য়াদবনা মতম খরা লৌদবা য়াখিদবদগী ঙসি নুমিদাংৱাইরম খক্তমক রিপোর্ট পীখৎপনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, লৈঙাক্তা রিপোর্ট পীখৎপদা এনেক্সর চবুল নিপান লোয়নরি। হায়রিবা চবুল নিপান অসিদা লামায় লীশিং ২গী ৱারোলশিং য়াওরি অমসুং অপুনবা কেমেরা ১৫৫ লৈখিবগী ৱাফমশিং য়াওরি।

পনবা য়াবদি, লৈঙাক্কী য়াথং মতুং ইন্না সী সী টি ভি ইনষ্টোল তৌবা, পোৎচৈ লৈবদা অরানবা তৌখিব্রা অমসুং সী সী টি ভি কেমেরাশিং খিনবগী মতাংদা থীজিন্নবা ষ্টেটকী হোম দিপার্টমেন্টনা...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

পুৱারীদা অহানবা ওইনা ঙসি চীংদা কেবীনেট মীফম ফম্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস) : নোংথোম্বম বিরেননা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবা মতুং ইকুই কুইদনা ষ্টেট কেবীনেটকী মীফম চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদসু ফমগনি হায়না লাউথোকখিবা মতুং ইন্না মণিপুরগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা হয়েং ষ্টেট অসিগী কেবীনেট মীফম চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরদা ফম্লগনি।

লৈঙাক্তগী ফংবা পাউনা হায়, ষ্টেট কেবীনেটকী মীফম অসি হয়েং নুংথিল পুং ১দগী হৌগনি। চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নারগী ওফিসতা কেবীনেট মীফম পাঙথোক্কনি। মীফম অসিগীদমক চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন, কেবীনেট মিনিষ্টরশিং হয়েং অয়ুক পুং ৯ রোম তাবদা ইম্ফালদগী খোঙশানবা হৌনগনি।

চীফ মিনিষ্টরগী চুড়াচান্দপুর খোঙচৎ অসি অয়ুক্কী পুং ৯ লোম তাবদগী হৌগদৌরিবা অসিগী মরুওইবা মরম দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়ামরুমদা মীয়াম্না চীফ মিনিষ্টরবু ওক্লবা থৌরম কয়ামরুম শীনবননি।

কংবাইদগী হৌনা তোঙান তোঙানবা লূপ অমদি খুলশিংনা শীনগদৌরিবা তরাম্না ওকপগী থৌরমশিং অদুদা চীফ মিনিষ্টর অমদি অতৈকেবীনেটমিনিষ্টরশিং শরুক য়ারমগনি। থৌরমশিং অদু শরুক য়ারগা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরদা নুমিৎয়ুংবা মতুংদা থুংগনি। মফম অদুদা অয়ুক্কী চাক্লেন চাগনি অমসুং কেবীনেট মীফম ফমগনি। খোঙচৎ অসিদা ওফিসল কয়ামরুমসু শরুক য়াগদবনা হয়েং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টর মী খ্বাইদগী হেন্না চিনবা মফম ওইগদৌরি।

পোইরৈ অমসুং মীওই ২গী মথক্তা এন আই এনা চার্জ সীট থাগৎলক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস) : নমদুনা শেল খায়বা অমসুং মীহাৎ-মীপুনগী থৌদোক কয়াদা চেন্নৈ হায়দুনা দিল্লি পুলিসনা ফাখিবা পোইরৈ অমসুং মীওই অনীগী মথক্তা ঙসি এন আই এনা চার্জ সীট থাগৎলকখ্রে।

চহী অসিগী মার্চ ১৬তা এন আই এগী কেস নম্বর আর সী-০৫/২০১৭/এন আই এ/দি এল আই (কে সী পি কেস)গা মরী লৈননা থাগৎলকখিবা চার্জ সীট অদুদা মীওই অহুমগী মমিং পল্লি। মখোয় অদুদি কে সী পিগী কম্যান্দর ইন চীফ খোইরোম রঞ্জিৎ এলিয়স রোকি এলিয়স গ্রেদ মচা এলিয়স পোইরৈ মীতৈ অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ নিংথৌরেল, লৈফম য়াইরিপোক টোপ; মহাক্লা লোয়নবা পুংদোংবম মমাঙ লৈকায়দগী ইরুংবম সনাতোম্বী অপোকপগী মিং ইরুংবম কুমার অমসুং য়াইরিপোক টোপতগী পি প্রেমকুমার মীতৈ এলিয়স পি কে এলিয়স ইবোমচা অপোকপগী মিং পি অচৌনি হায়রি।

এন আই এনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, চহী অসিগী মার্চ ১৬তা মখোয় অহুমগী মথক্তা দিল্লি পুলিসকী কেস অমগা মরী লৈননা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ১২০ বি অমসুং অনলোফুল এক্টিভিটিস (প্রিভেন্সন) এক্ট ১৯৬৭কী মখাদা ফাখিবনি।

মখোয় অহুমগী মথক্তা আই পি সীগী সেক্সন ১২০ বি, য়ু এ (পি) এক্ট ১৯৬৭কী সেক্সন ১৭, ১৮, ১৮বি, ২৩, ৩৮, ৪০ অমসুং সেক্সন ৩/৭/২৫ (১এ) ওফ আর্মস এক্ট অমদি এক্সপ্লোসিব...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

বি এস এন এলনা শেংদোকচবা

হৌখিবা তাং ১৩/০৭/২০১৭ ইংদা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা বি এস এন এলনা মীয়ামদা নমথাক তৌরে হায়বগী মতাংদা মখাগী ৱারম খরা অসি বি এস এন এল মণিপুরগী মায়কৈদগী শেংদোকচরি।

১। হন্দক মরক বি এস এন এলগী মপালদা চৎপা ওপ্টিকেল ফাইবর/পি জি সি আই এল মেদিয়া অসি গুৱাহাটি অমসুং কোলকটা অনীগী মরক্তা তোয়না-তোয়না দিষ্টৰ্ব তৌবা মরম্না মণিপুরখক্তা নত্তনা নাগালেন্দ অমসুং অরুনাচল য়াওনা ডাটা সার্ভিস অমসুং ব্রোদবেন্দ সার্ভিসতা দিষ্টৰ্ব তৌখি।

২। মণিপুরদা লৈরিবা সার্ভিস প্রোভাইদরশিংনা মণিপুরগী মফম খূদিংমক শিনবা থুংনা **3G** সার্ভিস পীবা ঙমদবগুম বি এস এন এলগী **3G** সার্ভিস মফম খরদা নিংথিনা য়ৌবা ঙমদ্রি। **3G** সার্ভিস য়ৌদবা মফমদা **STV-333, STV-444** নচিংবা প্লান হাপ্লগা **3G** সার্ভিস ফংহনবা নত্তে। অদুম ওইনমক **3G** সার্ভিস ফংবা মফমশিংদা **STV-333, STV-444** প্লান কষ্টমরশিংনা মায় পাক্না শিজিন্নরি। বি এস এন এলগী ওইনা গ্রেটর ইম্ফালগী মনুংদা **3G** গী সিগ্নেল ফংবদা সিগ্নেল শোনবা মফমশিংদা অথুবগী ওইনা ডাটা সার্ভিস কভরেজ ফগৎনবা অনৌবা টাৱরশিং হাপচিন্নবগী থৌরাং লোইরে। অসিগীসু মথক্তা ৱাইফাই হোটস্পোট ফ্রী ডাটা খরগা লোয়ননা ইম্ফালগী মফম খরদা সার্ভিস হৌরে অমসুং অতোপ্পা খরদসু থুনা হাপচিন্নবা থৌরাং লোইরে।

৩। বি এস এন এলনা লোঞ্চ তৌরিবা **STV-333, STV-444** নচিংবা অসি হাপ্লগা কষ্টমরশিংনা **3G** গী স্পিদ শোয়দনা ফংগনি হায়বা লৈতে। **STV-333** রিচার্জ তৌবা কষ্টমরশিংদা নুমিৎ ৬০ নি ডাটা শিজিন্নবদা ফ্রী ওইগনি হায়বনি। তৌবতবু নোংমদা **3GB** দগী হেন্দোকপদদি ডাটা স্পিদ তপথরক্কনি হায়বনি। অসুম্না **STV-444** রিচার্জ তৌবদা কষ্টমর অমনা নুমিৎ ৯০ নি দাটা শিজিন্নবদা ফ্রী ওইগনি। অদুবু নোংমদা **4GB** দগী হেন্দোকপদদি ডাটা স্পিদ তপথরক্কনি হায়বনি।

৪। অকক্লবা মফম খরদা নুংঙাইত্রবসু স্কিমশিং অসি লাকপদগী মীয়াম্না য়াম্না পাম্ননা অমসুং অহোঙবা মমলদা ডাটা শিজিন্নবদগী বি এস এন এলগী ডাটা শিজিন্নবগী চাং অসি হৌখিবা থা ৩ দা ২০০% হেনগৎলক্লে।

৫। অরোইবদা **3G** গী ডাটা অমসুং ব্রোডবেন্দ শিজিন্নবদা খুদোংচাদবা থেংনখিবা কষ্টমরশিংগী মফমদা বি এস এন এল মণিপুরনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

বি এস এন এল ডাটা সার্ভিসকী কমপ্লেন্টশিং ঈ-মেল **bsnldatamanipur@gmail.com** অসিদা থাবীরক্লবা খঙহঞ্জরি।

HL-B/4007/14 **Sd/- Asstt. General Manager (Mktg.),** O/o GMTD, BSNL Manipur

মণিপুরী ওফিসল লেংগ্বেজ শেমদোক্লবা বিল পুথোক্লবা য়াই

মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীফম ওগষ্ট ১৬ ফাওবা ফম্নবা ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দনা চ্যের লৌদুনা ঙসি নুংথিল ফমখিবা বিজিনেস এদভাইজরি কম্মিটিগী মীফম্না কুমসি চহীগী নোংজু মীফম থা অসিগী ২০দগী মথংগী থা, ওগষ্ট ১৬ ফাওবা ফম্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ওপোজিসন লীদর ওক্রম ইবোবী য়াওনা ফমখিবা বিজিনেস এদভাইজরি কম্মিটিগী মীফম অদুনা হাউসকী সিটিং ওগষ্ট ১৬ ফাওবা চথনবা লৌখিবা ৱারেপ অদুদা পুন্না সিটিং ১৮ লৈগনি। নোংমাইজিং অমসুং থাংজ নুমিৎশিং মীফম লৈরোই হায়রি।

মীফম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করম করম্বা বিল পুথোক্কদৌরিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুমকপু থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউ অমগী মতুং ইন্না মীফম অসিদা মণিপুর ওফিসল লেংগ্বেজ এক্ট শেমদোক্লবা অনৌবা বিল অমা পুথোক্লবা য়াই হায়রি।

মণিপুর ওফিসল লেংগ্বেজ এক্টতা য়াওরিবা বেঙ্গলি ময়েক্লা ইবা মণিপুরী লোল অসিগী মহুত্তা মণিপুরী ময়েক্লা ইবা মণিপুর লোল হায়না ওস্থোক্লিংবগী অপাম্বা লৈঙাক অসিদা লৈ।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, মীতৈ ময়েক হায়বা তারগদি কাঙলূপ অমখক্তগী ওইবা ময়েক ওইনা পুখিবনা ময়েক অসি মণিপুরী ময়েক হায়না ওস্থোক্লবা অখঙ-অহৈ কয়ানা লৈঙাক্তা মোত ফোঙদোরকপা লৈখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা মীতৈ ময়েক্কী মহুত্তা মণিপুরী ময়েক হায়না ওস্থোকপদা করি অকায়বা লৈগদগে হায়বা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী য়াম্না কুপ্না য়েংশিল্লি।

মণিপুরী ওফিসল লেংগ্বেজ এক্ট শেমদোকপগী তঙাইফদবা লাক্লিবগী মরমদি হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংনা বেঙ্গলি ময়েক্তা ইবা লাইরিক পাবা থোকখিদ্রে। গ্রেজুয়েট ফাওবা তম্বা হৌরবা ময়েক অসি নীংথিনা চৎহন্নবা অমসুং হৌরক্লিবা নহারোলশিংগী য়েংলগা তঙাইফদনা মণিপুরী ওফিসল লেংগ্বেজ এক্ট শেমদোকপগী তঙাইফদবা লাকখিবনি।

মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিনা এক্ট অসি শেমদোকপগী বিল পাস তৌরবা তুংদা পার্লিয়ামেন্টতসু মণিপুরী ওফিসল লেংগ্বেজ এক্ট শেমদোক্লবগী বিল পুথোক্তবা য়াদে। হাউস অনীমক্লা অয়াবা পীরবা তুংদা বেঙ্গলি ময়েক্লা ইবা মণিপুরী লোল হায়বদু মণিপুরী ময়েক্লা ইবা মণিপুরী লোল ওনগদবনি হায়রি।

HL-P/1820/15/6-19/7

LOAN AVAILABLE
মখল খুদিংগী অপাম্বা 2 , 3 and 4 Wheelers Loan
Service Loan
Pension Loan
Gold Mortgage
T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan
হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি ।
100% Free Processing (Vehicle Only)
AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Lokleubung B.O. Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.

ঈ-পাঞ্জা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫